**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 02-07-2025)**

**অধার (এল) ঃ** লৈবাক অসিগী ওইনা মপুং ফারবা মীওইশিংদা অধার পীবদা মনিপুরদা খ্বাইদগী চেকশিনবা মওংদা অধার পীনবা থবক পায়খৎলে।

রাজ্যগী কম্মিস্নার কম সেক্রেটরি (হোম) এন. অশোককুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-থৌরাং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্স অমসুং য়ুনিক আইদেন্টিতিফিকেসন ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (উদায়) গী গাইদ লাইন মতুং ইন্না শেমগদবনি। অধার পীবা মতমদা মহাক্কী এপ্লিকেসন অদু কুপা য়েংলবা মতুং পীবগী থবক চত্থগনি।

ইম্ফালদা লৈবা রাজ ভবনদা পাঙথোকপা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা অধার ইনরোল তৌবা, অপদেদ তৌবা অমসুং মসিগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং নৌহৌননা য়েংশিনখি। মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি, হোম দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিং, উদায়, সোসিএল ৱেলফিয়ার অমসুং এদুকেসন দিপার্টমেন্টশিংগী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

চেরোল অদুনা হায়-মপুং ফারবা মীওইশিংদা অধার পীবা মতমদা স্পিসিএল সেক্রেটরি (হোম) গী ওফিসকী ষ্টেট হেদ ক্বাটরগী থাক্তা অয়াবা পীরবা মতুং অধার পীবগী থবক চত্থগনি। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা উদায়গী ওফিসিএল অমনা হায়-মনিপুরদা মপুং ফাবা মীওইশিংদা অধার পীবগী নিয়ম অসি লৈবাক অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চেকশিনবা মওংদনি। অধার পীবা মতমদা সেক্যুরিতি অমসুং মসিগী ইন্টিগ্রীতি ঙাকা চৎনবগীদমক বাইওমেত্রিক অমসুং বাইওগ্রাফিক দাটা তঙাইফদ্রে।

চহি ৫ দগী ৭ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং মেনদেটোরি বাইওমেত্রিক অপদেসন (এম.বি.য়ু-ৱান) অমসুং চহি ১৫ শুরবা মতমদা মেন্দেটোরি বাইওমেত্রিক অপদেসন (এম.বি.য়ু-টু) অসি অধার এক্তিব ওইনা থমবগীদমক

য়ামা তঙাইফদে।

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী জিলাশিংদা আইন কায়বা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী লেপ্পা লৈতনা চেকশিন থৌরাংশিং মখা তানা লৌখৎলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা তোঙান তোঙানবা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওইশিং য়াওনা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-থৌবাল জিলাগী চরাংপাৎ মমাং লৈকাইগী মফমশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপ প্রিপাক (প্রো) গী এক্তিব কাদর অমা ফারে। মীওই অসি থৌবালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা অমদি শেল খোমগৎপা য়াওনা আইন কায়বা থৌওংশিং চত্থবদা চেন্নবা মীওইনি। মীওই অসিদগী হাই এক্সক্লুসিপ হেন্দ গ্রেনেদ অমা, মোবাইল ফোন অমা, সিম কার্ড অমা অমসুং অমুবা মচুগী মোটোর সাইকল পলসর অমা ফাগৎপা ঙমখি।

থৌবাল জিলাগী লৈরোংথেল পিত্রা এরিয়াদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা মমাং থাগী ২৯ দা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অমা ফারে। মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা, শেল খোমগৎপা অমসুং লুপ অসিগী অনৌবা কাডরশিং রিক্রুইট তৌবদা চেন্নবা মীওইনি। মঙোন্দগী সিম কার্ড অনি য়াওবা মোবাইল ফোন অমা, এ.টি.এম. কার্ড অহুম, পান, অধার অমসুং লাইসেন্স য়াওনা শেল ওইনা লুপা ৪৫০ ফাগৎপা ঙমখি।

অমরোমদা, মমাং থাগী ৩০ দা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই কোংপাল থৌবানদোং এরিয়াদগী য়ু.এন.এল.এফ. (পাম্বৈ) গী এক্তিব কাদর অমা ফারে। মীওই অসি লমগী চয়েৎনবা, নুপীশিংগী মায়োক্তা চত্থবা ক্রাইম, লোনগী শেনফমশিং খোমগৎপনচিংবা কেসশিং আইননা য়াদবা মওংদা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবদা চেন্নবা মীওইনি। মীওই অসিদগী রেজিষ্ট্রেসন নম্বর য়াওদবা চাকা

মরি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল হেন্দ সেট অহুম অমসুং শেল খরা ফাগৎপা ঙমলে।

মনিপুর পুলিসনা আইন কায়না গাড়ি থৌবশিং ফাবগী থবক লেপ্তুনা চখ্খরি। মমাং থাগী ৩০ দা মনিপুর পুলিসনা মোটোর ভেহিকল এক্টকী মতুং ইন্না চলান ৭২ কক্তুনা লুপা লাখ অমা লিশিং ২৩ গী শেনফম খোমগৎখি। মমাং থাগী ২৯ দনা গাড়ি ১৩ দগী টেনটেদ ফিল্মশিং লৌথোকখি।

**মহোটসব (এল)ঃ** ৭৬ শুবা বন মহোটসব ২০২৫, ঙরাং মণিপুরগী মফম কয়াদা পাক শন্না পাঙথোকখি।

কামজোং জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বাটরদসু পালন থৌরম অসি পাঙথোকখি। থৌরমদুদা অদুদা চীফ কঞ্জারভেটর ওফ ফোরেষ্ট-গাইথাউলু থাইমৈ, দি.সি. রংনামৈ রং পিটর, এস.পি. নিংশেম বাশুম শরুক য়াখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা উ চারা কয়াসু থাখি।

**কেবিনেটঃ** লৈবাক অসিদা থবক পীবগী চাং হেনগৎননবা পান্দমদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা লুপা কোতি লাখ অমরোমগী থবক পীবগা মরী লৈনবা ইনসেন্টিব স্কিম হৌদোকপদা অয়াবা পীখ্রে। স্কিম অসিনা লাক্লিবা চহি অনি অসিদা লৈবাক অসিদা থবক কোতি অহুম মখায়রোম শেমবা পান্দম থল্লি। মসিগী মনুংদা বিনিফিসরি কোতি অমা লাখ ৮২ রোমদি অহানবা ওইনা থবক চংবা মীওইশিং ওইগনি।

হায়রিবা স্কিম অসি চহি অসিগী আগষ্ট অমদগী ইং ২০২৭ কী জ্লাই ৩১ ফাওবদা থবক পীবা মীওইশিংদা চৎনগনি। স্কিম অসিনা থবক হেন্না পীননবা পুকিং থৌগৎপগা লোয়ননা লম খুদিংমক্তা সোসিএল সেক্যুরিতি মরুওইনা মেন্যুফেকচিংগী লমদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লগনি।

ন্যু দিল্লিদা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা

ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-স্কিম অসিগী মখাদা অহানবা ওইনা থবক চংবা মীওইশিংদা থাগী ওইনা তলব লিশিং ১৫ ফাওবা ফংবা য়াহ। মহাকা হায়-থবক পীরিবা মীওইশিংদা অহেনবা থবক ফংহনবগীদমক চহি অনিগী ওইনা ইনসেন্টিব পীগনি।

শ্রী বৈসনোনা হায়-নেসনেল স্পোর্টস পোলিসি ২০২৫ মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীরে। মসিনা লৈবাক অসিগী শান্ন খোৎনবগী লম হেন্না চাউখৎহনবনি। মহাকা হায়-মালেম থাক্কী ত্রেন্নিং সিষ্টেম ফংহনবা, কোচিং পীবা হায়বসিনা থৌরাং অসিগী মরুওইবা পান্দমনি।

**নোংঃ** হিমাচল প্রদেসতা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা ঙরাং মীওই মঙা শিখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫১ লৈখিদ্রে। থৌদোকশিং অসিদা মীওই ১০৩ অশোক অপন নংখি। মীওই ২১ না থিবা খঙদনা লৈরি।

মেট বিভাগনা থা অসিগী তরেৎ ফাওবা রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। মাঞ্জি জিলাদা নোং কা হেন্না চুবদগী খঙহৌদনা থোরকপা ঈশিং ঈচাওনা মীওই ৫ শিখি, মীওই ১৫ থিবা খঙদনা লৈরি।

মুখ্য মন্ত্রি-সুখবিন্দর সিংহনা থৌদোক অসিগা মরা লৈননা মীওই কয়া লৈখিদবা অমদি মাল-চাং মাংখিবা অসিদা নুংঙাইতবা ফোংদোরক্লি। মহাকা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংদা ঈচাওগী অৱাবা মায়োকরবা মীয়ামদা পাংবা য়াবা মতেং পাংননবা পাউতাক পীখ্রে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-ঈচাও অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবদা লুপা কোতি ৫০০ রোমগী মাল চাং মাংলে।

ষ্টেট ইমর্জেন্সি ওপরেসন সেন্টরগী রিপোর্ট মতুং ইন্না লম্বী ৪০৬, মৈগী ত্রান্সফোমর লিশিং ১,৫১৫ অমসুং ৱাটর সপ্লাই স্কিম ১৭১ শোকহল্লে।

**দিল্লিঃ** দিল্লিদা পেট্রোলনা থৌবা চহি ১৫ হেল্লবা গাড়িশিং অমসুং দিজলনা থৌবা চহি ১০ হেল্লবা গাড়িশিং ঙরাংদগী থিংজিনখ্রে।

দিল্লি সরকারনা থোকখিবা ষ্টেন্দরদ ওপরেটিং প্রোসিদ্যুর (এস.ও.পি) অমগী মতুং ইন্না অসিগুম্বা মখলগী গাড়িশিং ঙরাংদগী ওইল পম্পশিংদা থাউ হানবা য়াহনদ্রে। খোঙথাং অসি দিল্লিগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম ফগৎহন্নবা লৌখৎলকপা খোঙথাং অমনি হায়রি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

এম.পি. বিমোলনা ফৌবাকচাউ ইখাই বজার ফাওবা চৎকে হায়বদা য়াখিদবা থৌদোক্কো মরী লৈননা এম.পি. বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম, সু এক্সটেন্সনগা মরী লৈনবা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইনা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, সনা লৈবাক, হুইয়েন লানপাউ অমসুং মনিপুর মেল পাউচেশিং অসিদা ফোংনরি।

কুকিশিংসু সু মখা শাংদোকপা পামদ্রবরা, চীংদা সেক্যুরিতি ফোর্সতগী লাকখিবা খুৎলায়শিং লৌখৎকদৌরি হায়বা পাউনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদনা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মনিপুর মনুংদা ফুরুপ্তা য়ুম্ফম ওইবা ঙমখৈগী লৈই চিংবসি মীয়ামনা য়ারোইদবনি হায়না এম.পি. বিমোলনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদা তোঙানবা মওংদা বেন্নর হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

ঈশিংদা লৌ য়েবা য়াবা মেছিন পুথোকখ্রে হায়বা পাউ য়াওনা মপি কাউন্সিলগী ২৫ শুবা ফাউন্দেসন ডে পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সুনিল করামনা য়ুনিয়ন হোম মিনিস্তরনা অচুম্বা ঙাংলকপা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়বা পাউ অমসু পোকফম পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কাংপোকপীদা মৈ থাদোকখ্রবা মীতৈ অমগী য়ুম-ইঙ্খোল লৈরম্বগী খুদম-চাংদম লৈতে হায়না পুলিসনা পাউখুম পীরকপগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে। চুরাচান্দপুর অমদি মোরেদা মীতৈনা ত্রাইবেলগী লম খোপচিল্লে হায়না কোহরনা চে থাজিনবসু লৈখ্রে হায়বা পাউ অমসু নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

ইরাং ইংথরক্লবদি শোয়দনা পোপুলর গভরমেন্ট শেল্লক্কনি থাজৈ হায়না এম.এল.এ. বিশ্বজিৎনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু পাউচে অসিমক্কী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

কুকি ফুরুপকী কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর শমনবগী মংলান মমি শামলক্লে। জর্মন রোড, টাইগর রোড নাগাগী লমদা শেম্বা য়ারোই হায়না ইর্ষ্টন লিয়াংমৈ নাগা চীফ চেয়ারমেন এসোসিয়েসননা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসু সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লাঞ্জেন্নরক্তুনা রিলিফ কেম্পতা লৈরকপশিং মথং মথং শিরে। লৈশাবী মচা অমা য়াওনা মীওই অনি কনবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়বা পাউ অমসু হুইয়েন লানপাউগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

বন মহোৎসবকী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখিবগী পাউসু মনিপুর মেল পাউচেগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। পাউ অসি তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা গানফিয়ু মেলদা-নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খুমজি পার্ট থ্রিদা নোনে ফোরেষ্ট দিভিজননা শিনদুনা ৭৬ শুবা বন মহোৎসবকী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি।

জে.এন.ভি. তমেংলোংনা ২০২৬-২৭ কী ক্লাস সিক্সকী এদমিসন হৌরে। থা অসিগী ২১ ফাওবা এদমিসন তৌবা য়াগনি হায়বা পাউ অমসু তমেংলোং টাইমসকী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।